# গান্ধী ফেমিলিগী অয়াম্বা বেল থোরক্কুনা লৈ ঃ মোদি



***রাইপুর, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

হৌখিবা চহিদা বি জে পিনা ছতিশগরদা লৈঙাক পায়রম্বদগী মায়থিখ্রবা তুংদা মহাক্কী অহানবা মীয়ামগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মকোক থোঙবা কোংগ্রেস লূচীংবশিং কেস কয়ামরুমদা চেন্নরি হায়খ্রে।

ষ্টেট অসিগী রাইগর দিষ্টিক্টকী কোদাতরাইদা পাঙথোকপা মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা গান্ধী ফেমিলিগী অয়াম্বা মীওই বেলদা থোরক্কুনা নৎত্রগা এন্টিসিপেটরি বেল লৌরগা লৈ হায়খি।

বি জে পিগী ময়োক্তা শেন্নিবা ওপোজিসনগী এলায়েন্স অদুগী মতাংদা অদুগুম্বা য়াল্লা চয়ান্নরবা ফিভম অদুদগী মখোয় মশামক ঙাকথোকচনবা মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অপিল তৌখি। কোংগ্রেসনা ষ্টেট অসিদা লোন কোক্কনি হায়দুনা লৌমীশিংদা মীনল্লি।

ইলেক্সনদা তোঙজবা ফঙনবগীদমক চহি ১০ খুদিংগী লোন কোক্কনি হায়না কোংগ্রেসনা ৱাশক্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

কো-ওপরেটিপ অমসুং রুরেল বেঙ্কশিংদগী লোন লৌখিবা লৌমীশিং খক্তদা লোন কোক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি। অতৈ নেস্নেলাইজ বেঙ্কশিংদগী লোন লৌরিবা মীওইশিং অদুগীদি করম তৌবা তারি হায়না হংলদুনা মসি মীনম্বনি হায়খি।

মসিদসু নৎতনা মরি-মতাশিংদগী অমসুং লন্নাই শেঞ্জাও পাইবা মীওইশিংদগী শেন পুরুবা লৌমীশিং অদুনা করম তৌগদৌরিবা ? মখোয়গী লোন কনানা কোক্কদৌরিবা হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হংখি।

লোন কোকপগী মমিংদা কোংগ্রেসনা নাকল অনীমক্তগী শেঞ্জাবা মীওই হায়বদি ময়াইচাবীগী খুদোংচাবা লৌরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মীফম অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা সি বি আই চংহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে। কনাগুম্বা অরানবা থবক অমত্তা তৌদবা মীওইনা ইনভেষ্টিগেসনদা কিফম থোক্তে। মরম অমত্তা লৈতনা এজেন্সি অমনা হেক্তা থিজিনবা য়াব্রা। সি বি আইগী থিজিনবা অসিগী মতাংদদি মীয়ামনা করিসু নাচুংদে। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনদি নুংনাংলি।

আয়ুছমান ভারত স্কিম ছতিশগড়দা চত্থরোই হায়দুনা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা লায়রবশিংগী হকশেলগী য়াইফনবা থবক অদু ফঙহনবিদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

ঐহাক্না অচৌবা ইন্দিয়া অমগীদমক অনৌবা মেন্দেট অমা লৌনবা নখোয়গী মরক্তা লাকপনি। বি জে পিনা লূচীংবা গভর্ণমেন্টনা পাংথোলক্লিবা থবকশিংগী মহৈ ওইনা ইন্দিয়াগী লাইরবা কোকপা হৌরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

# রোবার্ট ভদ্রাদা থিজিল্লু, অদুবু রাফেলগী মতাংদসু পাউখুম পীয়ু হায়না সেন্টরদা রাহুল গান্দীনা শীংনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মচননুপী প্রিয়াঙ্কা ভদ্রানা তৌখিবগুম্না ঙসি মসেননুপা রোবার্ট ভদ্রাগী মথক্তা শীরক্লিবা মরানশিং চপচানা ময়োক্লখ্রে।

রাফেল জেট দিলগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেটিসন অমগী মখা তারকপদা ঙসি অয়ুক পাংথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা করপসন দিল পূন্নমক গভর্ণমেন্টনা থিজিল্লু, অদুবু রাফেল দিলগী মতাংদসু থিগৎলু হায়না মহাক্না গভর্ণমেন্টতা শীংনখ্রে।

নখোয়না অপাম্বা ইনক্বারি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন তৌ। চদম্বরম অমসুং ভদ্রাগী মথক্তা থিজিল্লু, অদুবু রাফেলগীসু থিজিল্লু হায়না রাহুল গান্ধীনা হায়খি।

করপসন মুখৎকনি, এন্টি-করপসন ৱাটচদোগ হাপকনি হায়বগী য়ূমফমদা ২০১৪গী মীখলদগী লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখল মাংওইননা কোংগ্রেসগী মথক্তা মখল -মখা কয়াগী করপসনগী ৱাফম হন্না-হন্না পুখৎলকখ্রে।

মনি লোন্দরিং কেস অমগী মতাংদা এনফোর্সমেন্ট দিপার্টমেন্টনা ৱাহং-পাউহং চত্থনবা রোবার্ট ভদ্রাবু কৌখৎখিবা মতূংদগী বি জে পিনা কোংগ্রেসকী মথক্তা চৈবা হেনগৎলকখ্রে।

এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেট ওফিসকী মপান্দা প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রানা মহাক্কী মপুরোইবগা লৈমিন্নখি অমসুং নোংমনা মহাকপু মফম অদুদা থমলমমি অদুগা মথংগী নুমিৎতনা মাবু লৌবা লাকখি। মদু মপুরোইবা রোবার্ট ভদ্রাগী মথক্তা শীরিবা মরানশিং অদু অরানবনি, মদু থেঙননবা মহাক্না চপ চানা লেপকনি হায়বা উৎপনি হায়খি।

রাফেল দিলগী মতাংদা গভর্ণমেন্টপু করপসন তৌই অমসুং কেপিটেলিজম শৌগৎলি হায়না মরান শীদুনা লাক্লিবা রাহুল গান্ধীনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরবু হুরানবনি অমসুং মীনম্বা ঙংবনি হায়না অকনবা মরান শীখ্রে।

# হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর চিদম্বরমবু আই এন এক্স মেদিয়া মনি লোন্দরিং কেসতা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা মচিন হংখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

আই এন এক্স মেদিয়াগা মরী লৈনবা মনি লোন্দরিং কেস অমা থিজিনবগী থবক চত্থরিবা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটকী মমাঙদা ঙসি হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিন্দম্বরম মশামক লাকখ্রে। প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট ( পি এম এল এ)গী মখাদা মহাক্কী জবান লৌনবা মশা লাক্নবা কৌখিবা সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর অদু ঙসি অয়ুক পূং ১১ রোম তাবদা ময়াই থঙবা দিল্লিদা লৈবা এজেন্সি অসিগী ওফিসতা থুংলখি।

চিন্দম্বরমবু কেস অসিদা মমাঙদসু কয়ারক হন্না অকনবা ৱাহং-পাউহং চত্থখ্রে। মহাক্কী মচানুপা কারটিসু চপ মান্নবা কেস অসিদা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎ অসিদা এজেন্সি অসিনা পূং ৬ হেন্না ৱাহং-পাউহং চত্থখি।

কেস অসিদা ইন্দিয়া অমসুং মপাল লৈবাক্তা লৈবা লূপা ক্রোর ৫৪গী কারটি চিন্দম্বরমগী এসেটশিং এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা হৌখিবা চহিদা এট্টেচ তৌখ্রে।

সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা সি বি আইগী এফ আই আর অমগী অমসুং পি চিন্দম্বরমনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতম ২০০৭দা লূপা ক্রোর ৩০৫গী ওভরসিজ ফন্দ ফঙনবগীদমক আই এন এক্স মেদিয়াদা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট প্রোমোসন বোর্দ (এফ আই পি বি) ক্লিয়ারেন্স তৌবদা অরানবা তৌখি হায়বগী য়ূমফমদা পি এম এল এ কেস অমা রেজিষ্টার তৌখি।

কারটি চিন্দম্বরম আই এন এক্স মেদিয়া অমসুং মসিগী দিরেক্টরশিং - পিটর অমসুং ইন্দ্রানি মুকেরজিয়া য়াওনা সি বি আইগী ৱাকৎতা মমিং য়াওবা এক্যুজশিংগী মথক্তা পুলিস এফ আই আর অমগা মান্নবা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটকী এনফোর্সমেন্ট কেস ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (ই সি আই আর) অমা রেজিষ্টার তৌখি।

২০০৭দা আই এন এক্স মেদিয়াদা এফ আই পি বি ক্লিয়ারেন্স পীহন্নবগীদমক শেল লৌখি হায়বগীদমক কেস অসিবু থিজিল্লিবা অতোপ্পা সেন্ট্রেল এজেন্সি সি বি আইনা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারি ২৮দা কারটি চিন্দম্বরমবু ফাখি । মদুগী মতূংদা মহাক বেল পীখিবনি।

# রুরকীদা য়ু থক্লুবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে

***রুরকী, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

উত্তরখন্দগী হরিদ্বার দিষ্টিক্টকী বালাপুর খূন্দা ঙরাং নুমিদাং শেঙদবা, য়ানশিন্নবা য়ু থক্লুবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে। মীওইশিং অদু অয়াম্বনা হোস্পিটাল অমদা শিখি হায়না দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিজিপি অনিল রাতুরিগী ৱা পল্লদুনা পাউগী এজেন্সিনা ফোঙদোক্লি।

মখোয় অদু থৌরম অমদা য়ু থকখিবনি। মদুগী মতূংদা মখোয় অয়াম্বা ওবা হৌরকখি। মীওই ১১দি বলাপুর খূল লৈরিবা ঝারবেরা ব্লোক্তগীনি। অতোপ্পা ৫না ষ্টেট অসিগী অনকপা শহারানপুর দিষ্ট্রিক্টতগীনি থৌদোক অসিদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ু য়োনবশিংগী মথক্তা অকনবা দ্রাইব চত্থখ্রে।

# ২০১৩ মুজাফরনগর রাইওৎস থোকহল্লকখিবা, মী ২ হাৎখিবা মীওই ৭ মপূন্সিচুপ্পা জেলগী চৈরাক পীখ্রে

***মুজাফরনগর, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

নোংচুপ থঙবা উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগরদা ২০১৩দা মীওই ৬৬ শিখিবা হাৎনবা-শুনবগী ঈরাং থোহল্লকখিবগী হৌরকফমনি হায়বা থৌদোক অমদা মীওই ২ হাৎখিবগী মরান ফঙলবা মীওই ৭ ঙসি মপূন্সি চুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে।

মুজাফরনগর হীংশা উত্তরপ্রদেসকী ইতিহাসতা খ্বাইদগী শাথিবা কাংলূপ মশেনগী খূৎ থোক্লবগী ঈরাং অমনি। মদুদা মীওই ৬৬ শিখি অমসুং মীওই লিশিং ৫০ হেন্না ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি।

মুজাফরনগরগী কোর্ট অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মুজামমিল, মুজাসিম, ফুরকন, নাদীম, জনানগীর, অফজাল অমসুং ইকবাল কৌবা মীওই ৭ অদুবু কৱাল খূন্দা মীওই ২ হাৎখিবা অমসুং ঈরাং থোকহনবগীদমক কনভিক্সন পীখি।

মীওই ৭ অসিগী মনূংদগী ৫না করিসু নৎতবা ইচম চম্বা মরৈ য়েৎনবা অমগী মতাংদা মীওই ২ অদু ফুরগা হাৎখিবনি। ২০১৩ কম্যুনেল রাইওৎস অদুদা কেস ৬,০০০ লৌখৎখি, মীওই ১৫০০ রোম ফাখি।

# য়ু এসনা মিসাইল দিফেন্সকী ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নরিঃ পেন্টাগোন



***ৱাসিংটন, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

ৱাসিংটননা ন্যু দিল্লিগা হেন্না চেৎশিনবা অমসুং হেন্না পাক-চাওথোকপা মরী অমা শাগৎপা পাম্মি হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎলদুনা য়ু এসনা ইন্দিয়াগা ওইথোকপা য়াবা মিসাইলস দিফেন্স কোলাবোরেসন অমগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না পেন্টাগোনগী মকোক থোঙবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে। অদুম ওইনমক দিফেন্সতা অমগা অমগা তেঙবাংনবা হায়বদু ইন্দিয়ানা কদাই ফাওবা য়ারক্কদৌরিবনো হায়বদু লেপ্পা মতম ঙনমল্লি হায়না অন্দর সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স ফোর পোলিসি জোন রুদনা ফোঙদোক্লি।

কোলাবোরেট তৌনবা য়াবা হীরম অমনি হায়না খনবগা লোয়ননা মিসাইল দিফেন্সশিংগী মতাংদা ঐখোয়না ইন্দিয়ানশিংদা ৱারি শাখ্রে। মসি কদাই ফাওবা য়াগদরিবনো হায়বদু লেপনবগী মতম ঙনমল্লি হায়না ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা ৱাসিংতনদা থিংটেঙ্ক অমদা ৱা ঙাংবদা মিষ্টর রুদনা হায়খি।

ইন্দিয়ানশিংগী মখোয় মশাগী ওইবা শক্তিশিং লৈজৈ অমসুং মখোয়না মিসাইল দিফেন্স খরগী দিভলপমেন্ট তৌখ্রে।

মরম অদুনা য়ু এসতা লৈরিবা ঐখোয়গা খূৎশন্ননা থবক তৌমিন্নবা নৎত্রগা মিসাইল দিফেন্স অদু লৌবদা মখোয়না কয়া য়াম্না থৱাই য়াওশিলকপা য়াবগে হায়বদু য়েঙগদবা ৱাৎলি হায়না মিষ্টর রুদনা হায়খি। টরমিনেল হায় ওলটিচুদস এরিয়া দিফেন্স সিষ্টেম , টি ঐচ এ এ দি হায়না ময়াম্না হেন্না খঙনরিবা অদু য়ু এস তগী ইন্দিয়ানা লৈবা পাম্মী হায়বা পাউগী মতাংদা হংবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদেকখিবনি।

ঈজৎ লৈরবা হদসন ইনষ্টিট্যুট থিঙ্ক-টেঙ্ককী মমাঙদা মশামক থোক্লকতুনা মিষ্টর রুদনা ফোঙদোকখিবদা কোলাবোরেসন মখল অসি ইন্দিয়াগা তৌননবগীদমক য়ু এসনা তশেঙনা থোঙ হাংলি হায়খি।

# য়ু এস কোংগ্রেসকী খ্বাইদগী শাংনা মেম্বর ওইরম্বা জোন দিঙ্গেল লৈখিদ্রে



***ৱাসিংটন, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপাগী টার্ম পুহৌনবা ১৯৫৫তা য়ু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসতা চঙলকখিবা, শক্তি লৈরবা লেজিসলেচর অমা ওইরকখিবা অমসুং খ্বাইগী মতম শাংনা কোংগ্রেস মেম্বর ওইরকখিবা মিচিগান দেমোক্রেট জোন দিঙ্গেল মশাগী চহি ৯২ শুবদা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা লৈখিদ্রে।

মিচিগানদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা মহাক্না শান্তি ওইনা লৈখিদবা মতম অদুদা মহাক্কী মহুৎ শিলহৌনবা খনখিবী মাগী লোয়নবী দেবিব দেঙ্গেলসু মহাক্কা লোয়ননা লৈখি।

মহাক য়ুনাইটেদ ষ্টেটস কোংগ্রেসকী নোংশা অমনি। মীয়াম্না নুংশিনরবা মচা, মপা, মপুরোইবা মপুবোক অমসুং মরুপ অমনি হায়না দেবিব দিঙ্গেলগী ওফিসনা হায়খি।

কোংগ্রেসতা থবক তৌনবগীদমক মহাক মশাগী ষ্টেন্দর অদু য়ৌজবা ঙমলরোই হায়রদুনা মহাক্না মিচিগান ব্যুজিনেস গ্রুপ অমদা হায়খিবগা লোয়ননা ২০১৫দা মহাক থবক্তগী পোত্থাখি। থবক্তগী পোথাদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না চহি ৫৯ হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী থবক তৌরমখি। মহাক্না চহি ১৬ ইনরজি অমসং কমর্স কমিটিগী চিয়ার্মেন ওইখি।

# ফুটবোল ক্লবতা মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রে



***রিও দে জেনৈরো, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

ব্রাজিলগী খ্বাইদগী মমিং চৎলবা ফুটবোল ক্লব, ফ্লেমিংগোগী ট্রেনিং ফেসিলিটি অমদা ঙসি ইরাই নুমিৎতা মৈ চাক্লকখিবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সিশিংনা হায়রি।

নেংঙাল্লমদাই মমাঙদা রিও দে জেনৈরোদা চহি ১৪দগী ১৭ ফাওবগী নহা শান্নরোইশিং লৈফম বিল্ডং অমদা মৈ চাক্লকখিবনি। টিভি গ্লোবোনা মৈ চাকপা অদুগী ফুটেজ উৎলকখি অমসুং মৈ অদু লাকশিনবা ঙম্লে হায়খি।

রিওগী ভরগেন গ্রান্দে দিষ্ট্রিক্টতা খ্বাইদগী অফবা শান্নরোইশিংগী ফ্লেমিংগো স্কৱাদ ট্রেনিং তৌরিবা মোর্দন ফেসিলিটি অমদা অয়ুক পূং ৫ রোম তাবদা মৈ অদু চাক্লকখিবনি হায়না ন্যুজ ৱেবসাইট জি আই না হায়খি।

হায়রিবা ফেসিলিটি অদুদা কোন্না ঙসি অয়ুক মরুওইবা ফুটবেল টিম অদুনা প্রক্টিক্স তৌরগদৌরিবনি। অদুগী মমাঙদা ট্রেনিং তৌফম অদুদা মৈ চাক্লকখিবনি। ফুটবোলদা ঙাওরবা লৈবাক অসিদা ফ্লেমিংগেংনা ব্রজিলগী খ্বাইদগী পোপুলর ওইবা ক্লবনি।

# ইষ্টানবুল বিল্ডিং নীংখাইবদা ১৪ শিখ্রে

***ইষ্টানবুল, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

টরকিগী ইষ্টানবুল সিটিদা মী কুংনা লৈবা করতাল দিষ্ট্রিক্টতা মথোন ৮গী এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমা নিংখাইরকখিবদা শিবা মীগী মশীং হৌজিক ১৪ য়ৌখ্রে।

বিল্ডিং অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পূং ৩ লোম তাবদা নীংখাইরকখিবনি। ঙসি ইরাই নুমিৎ ফাওবদা চহী ১৬কী অঙাং নুপামচা অমা য়াওনা বিল্ডিং অদুগী অতেক -অকাই মরক্তগী মীওই ১৪ হিংনা চীংথোকল্লকখ্রে।

হৌজিক নন্সিন্দুনা লৈখ্রবা অতৈ মীওইশিং ফঙননবা রেস্কু ৱাকরশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়না টরকিগী ইন্টরিম মিনিষ্টর শুলেমান শোইলুনা ফোঙদোকখ্রে।

মনূংদা লৈখ্রবা মীওইশিং ঐখোয়না নিংথিজনা পুথোক্কনি অশা তৌরি হায়না মখা তারদুনা মিনিষ্টর অসিনা থিজিনবগী থবক অমা লোয়শিল্লবা তূংদা নিংখাইহল্লিবা অদুগী দাইত্ব ওইরিবশিং চৈরাক পীগনি ৱাশকখি।

# মহিন্দ রাজাপক্সা থা ৬কী মনূংদা ইন্দিয়াদা ২রক শুবা ওইনা লাক্লি



***কলম্বো, ফেব্রুৱারি ৮ঃ***

শ্রী লঙ্কা লূচীংবা মহিন্দ রাজাপক্সা ঙসি ইন্দিয়াদা থুলরগনি হায়না মহাক্কী ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে। শ্রী লঙ্কগী লিদর ওফ দ ওপোজিসন হাপখ্রবগী মতূং মহাক্না লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসি মাগী অহানবা মীরৈবাক্কী খোঙচৎনি।

খোঙচৎ অসিগী মনূংদা বঙ্গালোরদা ইন্দিয়াগা শ্রী লঙ্কাগা লৈনবা মরীগী মতাংদা মহাক্না লেচর অমা পীরবা য়াই।

থা ৬কী মনূংদা মহাক্কী খোঙচৎ অসি ইন্দিয়াদা লাকপা মহাক্কী ২শুবা খোঙচৎনি। সেপ্টেম্বর থাদসু মহাক্না ন্যু দিল্লিদা লাকখ্রে অমসুং নরেন্দ্র মোদিগা উন্নখ্রে।

হৌখিবা চহী লোইরমদাইদা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা মহিন্দ রাজাপক্সাবু প্রাইম মিনিষ্টর হাপখি। অদুবু মদুনা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা কনষ্টিট্যুসনেলগী ৱাথোক অমা নুমিৎ ৫০নি হেন্না থোকহল্লকখি।

মদুগী মদুঙ কোন্না শ্রী লঙ্কাগী সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেবু অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদা হঞ্জিলহনখি।

# GAS TODAY

**Imphal L.P.G.**
Booking : 24/01/19
Valid : 08/12/18
Sl. No. : up to 424
Stk : 512, 5kg Avai
Time : from 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/12/18
Sl. No. : 5760
Valid : 05/12/18
Sl. No. : 5037
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 16/01/19
Valid : 29/12/18
Sl. No. : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 10/01/19
Valid : 18/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 02/01/19
Valid : 28/12/18
Stk : 306

**Hiyangthang Indane**
Booking : 18/12/18
Valid : 31/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Porompat Indane Gas**
Booking : 19/12/18
Valid : 30/11/18
Stk : 306
Time :07.30 to 10.30 a.m

**M . M. Gas**
Booking : 22/12/18
Valid : 19/12/18
Stk : 306, 5 & 19kg Avai
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 07/12/18
Valid : 22/11/18
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Heirok Gas**
Booking : 06/01/19
Valid : 30/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Ashangbi Gas Sugnu**
Booking : 17/12/18
Valid : 07/12/18
Stk. : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 04/02/19
Valid : 31/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 15/11/18
Valid : 02/11/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

সনা-সুদোকু -৩৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 5 | 1 | 8 | 7 | 4 | 6 | 9 | 2 |
| 4 | 7 | 6 | 1 | 9 | 2 | 3 | 8 | 5 |
| 9 | 8 | 2 | 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 1 |
| 8 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 6 | 9 |
| 7 | 9 | 4 | 6 | 5 | 3 | 1 | 2 | 8 |
| 6 | 1 | 5 | 9 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 |
| 1 | 6 | 9 | 5 | 8 | 7 | 2 | 4 | 3 |
| 5 | 4 | 7 | 2 | 3 | 9 | 8 | 1 | 6 |
| 2 | 3 | 8 | 4 | 1 | 6 | 9 | 5 | 7 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-35**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | 4 | | 6 | | | 7 | |
| 5 | | | | 3 | 7 | 6 | | |
| 6 | | | | | 5 | 2 | 4 | |
| 7 | 3 | | 6 | | | | 5 | |
| 4 | 5 | | 3 | | | | | 8 |
| | 9 | 6 | 5 | | | 7 | | |
| 3 | | | 7 | 4 | | | | 6 |
| | | 5 | | | 6 | | | 7 |
| 8 | | 7 | | 5 | | | | |

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 61/SDC/IE/KBT of 2019*

Wahengbam Deban Singh S/O (L) W. Khurai Singh of Arapti Mayai Leikai.
***- Petitioner***

***-Verses-***

(L) Wahengbam Khurai Singh S/O (L) Samn Singh of Arapti Mayai Leikai.

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 8th February/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ- Imphal East KBT Circle গী Village No. 51-Arapti গী Patta No. 194 (Angs) (অরিবা) 331/1173 (অনৌবা) C.S. Dag No. 250/693 an area 0.483 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী মচানুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হাইনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

*SL/BILL(L) 09(G)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 63/SDC/IE/KBT of 2019*

Wahengbam Deban Singh S/O (L) W. Khurai Singh of Arapti Mayai Leikai.
***- Petitioner***

***-Verses-***

(L) Wahengbam Shamu Singh S/O (L) Gopal Singh of Arapti .

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 8th February/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ- Imphal East KBT Circle গী Village No. 51-Arapti গী Patta No. 34 (অরিবা) 395 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1065 an area 0.11 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী মসুনুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হাইনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

*SL/BILL(L) 09(H)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 62/SDC/IE/KBT of 2019*

Wahengbam Deban Singh S/O (L) W. Khurai Singh of Arapti Mayai Leikai.
***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Wahengbam Shamu Singh S/O Late Gopal Singh of Arapti .

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 8th February/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ- Imphal East KBT Circle গী Village No. 51-Arapti গী Patta No. 134 (অরিবা) 396 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1066 an area 0.72 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী মসুনুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হাইনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

*SL/BILL(L) 09(I)*